
# টোকিও ওলেম্পিক গেমস মখা তানা থেংথবগী ওইথোকপা লৈতে : টোকিও চীফ য়োসিরো

*টোকিও, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস মখা তানা য়ৈথোকপগী ওইথোকপা লৈতে হায়না টোকিও ২০২০ গী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরীনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



কিয়োদো ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না টোকিও ২০২০ গী প্রসিদেন্ট য়োসিরো মোরীনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা মতম লেপখ্রবা জুলাই ২৩, ২০২১ দগী মখা তানা য়ৈথোকপগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈত্রে হায়খি। গেমস অসি চহী অনী থেংথবা হায়বসি এঠলেটশিং অমসুং গেমস মেনেজমেন্টশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লগনি হায়না মোরীনা মখা তাখি।

য়োসিরো মোরীনা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেদা লৈঙাক অসিনা গেমস অসি চহী অনী য়ৈথোকপগী মতাংদা খনব্রা হায়খিবা ৱাহং দা প্রাইম মিনিষ্টরনা চহী অমদি অদুমক চৎখ্রগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মালেমগী এঠলেটশিং অমসুং স্পোর্টস এসোসিয়েসন কয়ানা অকনবা মওংদা প্রেসর পীরকপদগী জপানিজ ওর্গনাইজর অমসুং ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা মমাঙ থাদা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকপদা য়ান্নখিবনি।

ওর্গনাইজর অমসুং জপানগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপদগী মতুং ইন্না কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রগদি টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি অমুক হন্না য়ৈথোকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। অদুবু গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকপা অসিনা মতিক চারব্রা হায়বা ৱাহং কয়া অমা লাক্লিবনি।

মমাঙ চয়োলদা জপানিজ এক্সপার্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না লুবা ফিভম অমা মায়োক্লগনি। ঐহাক্কী ৱাখলদা গেমস অসি মথং চহীদা পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি খন্দে হায়না কোবে য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার কেন্টারো ইৱাটানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গেমস অসি পাঙথোকপা হায়বসি জপান লৈবাক্তা নৎতনা মালেমগী লৈবাক কয়ানসু পাম্নরিবনি। অদুবু কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসি হান্না কন্ট্রোল তৌদবা য়াদবগী ফিভমদা লৈগনি। ওর্গনাইজিং কম্মিটিসু ভাইরস অসিনা শোকহনবদা য়াওখ্রে। টোকিও হেদক্বার্টরদা লৈবা কম্মিটি অসিগী ষ্টাফ অমসু কোরোনাভাইরস লায়না নারম্বা থেংনখ্রবনি। মহাক্না মফম অসিদা চহী ৩০ হেন্না থবক তৌরক্লবা মীওইনি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকখিবদগী অহেনবা শেল চঙগদবা অদুগী মতাংদসু য়াম্না চাওবা ইশু অমা ওইরিবনি। কিয়োদো ন্যুজ এজেন্সি অসিনা কোট তৌখিবদা মোরীনা গেমস অসিগী ওপনিং অমসুং ক্লোজিং সেরেমোনিগী থৌরমশিং অদু খরা তেনশিন্দুনা কোষ্ট কট্টিংদা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়খি।

জপান লৈঙাক্না টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লবগী যু এস দোলর বিলিয়ন ১২.৬ খরচ তৌখ্রে। অদুবু গভর্ণমেন্ট ওদিট রিপোর্টকী মতুং ইন্নদি মসি হান্না লেপখিবা শেনফমদগী শরুক অনীনি হায়রি। শেনফমশিং অসিগী মনুংদা যু এস দোলর ৫.৬ বিলিয়নদি ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা প্রাইভেট ওইনা ফন্দিং তৌবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৩ দা টোকিওনা গেমস অসিগী য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা ফংখিবগী মতুং ইন্না জপান ওলেম্পিক কম্মিটি অমসুং লোকেল ওর্গনাইজরশিংনা গেমস অসি পাঙথোকপদা চঙগদবা শেনফম অদু হেন্না পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী মেম্বর অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন কোটসনা মমাঙ চয়োলদা কনফরেন্স কোলগী খূত্থাংদা টোকিও ওর্গনাইজরগা পাউ ফাওনখিবদা গেমস অসি য়ৈথোকখিবনা আই ও সিনা মিলিয়ন দোলর হন্দ্রেদ খরা পুথোক্কদবনি হায়খি। ৱাফম অসিমক বোদি অসিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা জর্মনগী ন্যুজ পেপর অমদা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

জোন কোটসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা আই ও সিগী পেমেন্ট অসিনা মরম ওইরগা নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি অমসুং ইন্টরনেসনেল ফেদরেসনশিংদা চাওনা চৈথেং পীরগনি। ওর্গনাইনিং কম্মিটিগী দোক্যুমেন্টকী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা টোকিও গেমস অসি ওর্গনাইজ তৌনবা যু এস দোলর বিলিয়ন ১.৩ মতেং পাঙখ্রবনি। শেনফম অসি চহী ৪ গী ওলেম্পিক সাইকলদা লাকপা যু এস দোলর বিলিয়ন ৫.৭ গী মনুংদগীনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ৱুমেন'স য়ুরো ২০২১ টুর্নামেন্ট ২০২২ গী জুলাইদা পাঙথোক্লগনি : য়ুরোপিয়ান সোক্কর বোদি

*পেরিস, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা ৱুমেন'স য়ুরো ২০২১ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কুমজা ২০২২ গী জুলাই থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুরোপিয়ান সোক্কর বোদি যু ই এফ এনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।




যু ই এফ এগী ঙসি পাঙথোকখিবা একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিংদা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা ৱুমেন'স য়ুরো টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০২২ গী জুলাইদা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

নুপীগী টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লিবা অসি মেন'স যু ই এফ এ য়ুরো ২০২০ কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রবা মতুংদনি। কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদবা নুপীগী টুর্নামেন্ট অসি জুলাই ৬ তগী শান্নবা হৌগনি অদুগা ফাইনেল মেটচতা জুলাই ৩১ দা শান্নগনি হায়রি।

যু ই এফ এগী প্রসিদেন্ট আলেকসান্দর কেফরিননা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নুপীগী টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লিবা অসি নুপাগী টুর্নামেন্টকা ফংজিন্নদবনি। মসিনা নত্তনা টোকিও ওলেম্পিক গেমসসু মথং চহীদা পাঙথোক্লবগী অনৌবা মতম লেপখ্রবনি।

ঐখোয়না ফিভমশিং অসি কূপ্পা য়েংশিল্লি। ঐখোয়না নুপীগী ফুটবোলবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরি। নুপীগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি সম্মর অসিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না আলেকসান্দর কেফরিননা ফোঙদোকখি।

যু ই এফ এনা টুর্নামেন্ট অসি হান্না লেপখিবা ভেন্যুদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি। য়ুরোপকী গভর্ণিং বোদি অসিনা কুমজা ২০২২ বিরমিংহম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ওর্গনাইজর অমসুং ইংলিশ ফুটবোল এসোসিয়েসন (এফ এ) গা লোয়ননা হোংলক্লিবা সেদ্যুলশিং অসিগী মতাং দা খন্নরগনি।

খন্নগদৌরিবা ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অসিনা মালেমগী মীয়ামদা মশান্না অসি হেন্না পূক্নিং চিংশিনহনবা, মেদিয়া কোভরেজ হেনগৎহনবা অমসুং ষ্টেদিয়মনশিংদা য়েংগদৌরিবা মীগী মশীং হেনগৎহনবা অসিনচিংবনি হায়রি।

খন্নগদৌরিবা ৱাফমশিং অসিনা ফুটবোল মশান্না অসি অহেনবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্লগনি। লোয়ননা নৌনা হৌগৎলক্লিবা ফুটবোল্লরশিং দা অনৌবা থৌনা অমসু পীরগনি হায়না যু ই এফ এগী চীফ ৱুমেন'স ফুটবোল নাদিনে কেসলরনা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফিফানসু নুপীগী ফুটবোল হেন্না চাওখৎনবগী ৱাফম ঙরাং ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ফিফা ৱুমেন'স ফুটবোল ষ্ট্রেটেজি অমসুং বোদি অসিগী অশানবা মীৎয়েংদা নুপীগী মশান্না অসি হেন্না চাওখৎনবা হোৎনরি। মশান্না অসিদা থাদগদৌরিবা শেনফমশিং অসি কম্পিটিসন, কেপাসিটি বিল্ডিং, দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং, গভর্ণেন্স অমসুং লিদরসিপ, প্রোফেসনেলাইজেসন অমসুং টেক্নিকেল প্রোগ্রামশিং দা শিজিন্নগনি হায়না ফিফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ফিফাগী ওইনা গ্লোবেল সোক্করদা অকায়বা পীরকপা মতমদা মতেং পাঙননবা কেস রিজার্ব তৌদুনা লৈরি। মমাঙগী রিপোর্টতা ফিফাগী ওইনা যু এস দোলর বিলিয়ন ২.৭ লৈরিবনি।

মালেমগী ফুটবোল বোদি ফিফাগী ওইনা শেল–থুম মতিক চানা লৈরি। ঐখোয়গী থৌদাং দি বোদি অসিগী মখাদা লৈরিবা এসোসিয়েসনশিংনা অৱাবা তারবা মতমদা মতেং পাঙবনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগী ফুটবোলগী কম্যুনিটিশিং দা মতেং পাঙনবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি।

# টোকিও ওলেম্পিক গেমস থেংথবদা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না শেম শাবগী হেন্না খুদোংচাবা ফংলে: নমিতা

*বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

টোকিও ওলেম্পিক গেমস মথং চহীদা য়ৈথোকখিবনা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না গেমস অসিগীদমক শেম শাবদা মতম হেন্না ফংলে হায়না ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অসিদা য়াওরিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মিডফিল্ডর নমিতা টোপ্পোনা ফোঙদোকখ্রে।




টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি চহী অসিদা পাঙথোক্লবা সেদ্যুল লৈখিবনি। অদুবু মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী এঠলেটশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস বোদি কয়ানা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী গেমস অসি মথং চহীদা য়ৈথোকখিবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী ওলেম্পিক্সকী মেডল ফংবগী পান্দম অদু শোয়দনা ওইহল্লগনি হায়না নমিতা টোপ্পোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নমিতা টোপ্পো ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৬৫ শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা খুউ শোকপদগী থা ১০ রোম মশান্না অসিদগী লাপথোক্তুনা লৈরুরবনি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী নমিতা টোপ্পো মহাক্কী অশোকপা অদু ফংগৎনবা হোৎনবদা থা ৯ দগী ১০ রোম চঙখি। মহাক মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমদা অমুক হন্না শরুক য়ারকপনি। মহাক ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী মেটচশিংদসু শরুক য়াবা ঙমখিবনি।

ঐহাক্কী টিমমেটশিং অমসুং কোচশিংনা ঐগীদমক অচৌবা রোলশিং লৌবিরি। ঐহাক অনীশুবা ওইনা ওলেম্পিক গেমস শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংলে। অদুবু ঐহাক্না ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারকপদা অকা–অকুম কয়া অমদি লৈরি হায়না নমিতা টোপ্পোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঐহাক্না শোক্লিঙৈ মতম অদুদা টিম অসিগী সাইক্টিফিক এদভাইজর ৱেন লোম্বার্দনা মতেং য়াম্না পাঙবিখি। মরম অসিনা ঐহাক্না ফগৎপদা মতম য়াম্না চঙখিদে। টিমমেটশিংনসু মপুং ফানা শৌগৎপিদুনা ঐহাকপু থৌনা পীবিখি হায়না নমিতা টোপ্পোনা মখা তাখি।

নারুবদগী ফগৎলক্লবা মতুংদা ঐহাক্না নেসনেল কেম্পতা মরুওইনা মীৎয়েং থমখি। মসিদগী ইংলেন্দ টুরগী ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লাওথোরকপদা য়াওরকখিবনি। ঐহাক্না থমখিবা পান্দম অদু ফংবদগী য়াম্না হরাওবা পোকখি। ঐহাক্না টিম অসিবু টোকিও ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইদ ওইহনবদা মতেং পাঙনিংখি। চীফ কোচনসু মহাকপু এফ আই ঐচ হোক্কী ওলেম্পিক ক্বালিফাইরগী টিমদা য়াওহল্লকখি হায়না নমিতা টোপ্পোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পেন্দেমিক অসিনা স্পোর্টসকী ইকোনোমিদা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লগনি : অভিনাব বিন্দ্রা

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী শান্নবগী ইকোনোমিদা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লগনি হায়না ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী মমাঙদা সুট্টর ওইরম্বা অভিনাব বিন্দ্রানা ফোঙদোকখ্রে।



অভিনাব বিন্দ্রা ইন্দিয়াগী স্পোর্টসতা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা পেন্দেমিক অসিগী মতাংনসু য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মালেমগী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা স্পোর্টসকী ইকোনোমিদা অচৌবা শাফু অমা পীরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পেন্দেমিক অসি থেংননবা মালেমগী শান্নরোই কয়ানা হৌজিক ফাওবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী শান্নবগী ইভেন্ট কয়া অমসু য়ৈথোক্লি।

চাইনাগী সিটি ৱুহান্দগী শনে দারকখিবা পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ১.৮৫ লাখকী মথক্তা শিহনখ্রে অদুগা মীওই লাখ ২৬ হেনবনা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসসু মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবনি।

বিন্দ্রানা ফোঙদোরকপদগী মতুং ইন্না মালেমগী মীয়াম্না লায়না অসি করম্না থেংনগদগে হায়বা খরদি খঙবা ঙম্লে। মরম অসিনা স্পোর্ট অসিগী মতেংনা মীয়াম্না মখোয়গী হকচাং ফিট ওইনা থম্বগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈ ওইরি।

থা খরগী মনুংদা পেন্দেমিক অসি নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্লগনি। মীয়াম নীংথিনা লৈবা ঙম্লগনি। লায়চৎ অসি মপুং ফানা মাঙখ্রবদি অথুবা মতমদা স্পোর্টস ইভেন্টশিংসু পাঙথোকপা য়ারগনি হায়না অভিনাব বিন্দ্রানা ফোঙদোকখি।

# লা লীগা কেন্সেল তৌবনা উপায় নত্তে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা স্পেনদা চত্থরিবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা কেন্সেল তৌবনা উপায় অমা নত্তে হায়না স্পেনিস লীগ লা লীগাগী প্রসিদেন্ট জেভিয়র টেবাসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

স্পেনিস ফুটবোল ইন্দষ্ট্রি অসি কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা চাওনা শোকহল্লিবনি। মসিগুম্না অতোপ্পা সেক্তরশিংদা শোকহল্লিবশিং অসিসু হেল্‌ঠ ওঠোরিটিগী এদভাইসকী মতুং ইনগনি হায়না জেভিয়র টেবাসনা ফোঙদোকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি কেন্সেল তৌবগী মহুত্তা ফিভম অসি য়েংলগা অতোপ্পা উপায়শিং থিবা মথৌ তারি। ঐখোয়না টুর্নামেন্ট অসি মীয়াম য়াওহন্দনা পাঙথোকপা, মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকপা অমসুং গেম অসি শান্নদবা হায়বগী মতাংদা ওইরক্কদবা ফিভমশিং অদু য়েংশিনবা মথৌ তারি।

ঐখোয়না খুদোংচাবা য়েংদুনা থবকশিং পাঙথোক্কদবনি। লায়চৎ অসি ইকোনোমিক পেন্দেমিকখক্তমক নত্তে হেল্‌ঠ পেন্দেমিক অমসু ওইরি হায়না জেভিয়র টেবাসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# যু ই এফ এনা ক্লবশিংদা পীনবা য়ুরো মিলিয়ন ৭০ রিলিজ তৌখ্রে

*পেরিস, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি যু ই এফ এনা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা লেপহন্দুনা লৈরিবা ক্লবশিংদা পীনবা য়ুরো মিলিয়ন ৭০ রিলিজ তৌখ্রে।

য়ুরোপকী ফুটবোল বোদি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা ঙসি রিলিজ তৌখিবা শেনফম অসি য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফিকেসন প্রোসেস চত্থরিঙৈ মনুংদা শরুক য়াগদবা নেসনেল টিমগী শান্নরোইশিংদা পীগদবনি। পেমেন্ট অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন প্লেওফ মপুং ফানা লোয়শিনহনবদা মতেং পাঙগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন প্লেওফ অসি হৌখিবা মার্চ থাদা সেদ্যুল লৈখিবনি অদুবু কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি। য়ুরো মিলিয়ন ৫০ না প্লেওফতা য়াওদবা নেসনেল টিম ৩৯ দা পীগনি। অদুগা প্লেওফতা য়াওগদবা টিম ১৬ দা য়ুরো মিলিয়ন ১৭.৭ পীগদবনি হায়রি।

য়ুরো ২.৭ মিলিয়ন্না মখোয়গী গেমশিং অসি লোয়শিল্লবা মতুং দা পীগদবনি হায়না বোদি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী আরোন ফিন্সনা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ য়ৈথোকপা পাম্লি

*মেলবর্ন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী লিমিটেদ ওভরগী কেপ্টেন আরোন ফিন্সনা চহী অসিগী লোয়শিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবগী সেদ্যুল লৈরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসি য়ৈথোকহনবা পাম্লি।

মালেমগী মীয়াম্না পাম্নরিবা ফোরমেট অসি মীয়াম য়াওহন্দনা পাঙথোকপা মহাক্না পামদ্রি। আই সি সিগী চীফ একজিক্যুটিভ কম্মিটিগী কোল কনফরেন্সকী মীফমসু শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা টুর্নামেন্ট অসিগী চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়না আরোন ফিন্সনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

টি–২০ টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮ দগী নবেম্বর ১৫ ফাওবা পাঙথোক্লবগী সেদ্যুল লৈখ্রবনি। অদুবু কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মালেমগী মফম কয়াদা শোকহল্লিবা অসি য়েংলগা টুর্নামেন্ট অসি থা অমা নৎত্রগা অনী য়ৈথোকহন্নিংবগী অপান্বা অদু আরোন ফিন্সনা ফোঙদোকখিবনি।

ফিন্সনা গেম অসি মীয়াম য়াওহন্দনা পাঙথোকপা পামদে। কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি লাকশিল্লবা মতুংদা মপুং ফানা পাঙথোক্লিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখিবনি।

## কৈরাও কেন্দ্রগী ওনরেবল এম এল এ এল রামেশ্বর মৈতৈবু থাগৎচরি



মালেমগী কিনরবা লায়না কোরোনাভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা লোকদাউনগী মরক অসিদা ৱারবা কেন্দ্র অসিগীদমক খনবিদুনা ওনরেবল এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মৈতৈনা চহী ৫ গী মথক্তা লৈবা মীওই খূদিংমক্তা চেঙ কেজি ৫ / ৫ ইম্ফাল ইষ্ট দি সি, এস দি ও, কৈরাও বিত্রা অমদি শোপ নম্বর ১৪৮ গী এজেন্ট এমদি জিয়াউর রহমনগী খূত্থাং দা পীবিরক্তুনা ৱার্দ নম্বর টু অসিদা লৈরিবা ক্লব ৪ অমদি কৈরাও কেন্দ্র মুস্লীম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগা খূৎশম্নদুনা প্রাজাশিংদা চেঙ য়েন্থোকপীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি মীয়ামগী সেবা মখা তানা তৌবা ঙমহনবিবা ওইরসনু হায়নসু ঈশ্বরদা থৌনিজরি।

খঙহজরিবা,
প্রসিদেন্ট,
অরাপ্তি নাওকান মুস্লীম য়ূঠ ক্লব
নাওকান, মণিপুর

SL/6103/24

# রেফরিশিং অৱাবা ওইরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবদগী রেফরিশিংনা ফিট ওইনা লৈনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি হায়না আই লীগকী চেন্নাই সিটি এফ সি অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলনা শান্নখিবা মেটচতা রেফরি ওইখিবা রোৱান অরুমুগামনা ফোঙদোকখ্রে।

রোৱান অরুমুগাম ফিফাগী রেফরি পেনেলদা য়াওরিবনি। মহাক্না এ আই এফ এফকা ইন্টররেক্সন তৌখিবা অমনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। লৈবাক অসিদা লোকদাউন লৈখিবদগী ঐখোয়না ফিট ওইনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। রেফরিশিংসু মতম পূম্নমক্তা মশা–মউ ফিট ওইনা থম্বা মথৌ তাই হায়খি।

## ক্রোসৱার্দ ৪৯৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | P | G | A | | E | B | B | S | | E | P | S | O | M |
| E | A | R | N | | K | O | O | K | | L | I | T | R | E |
| S | P | A | G | H | E | T | T | I | | S | C | A | B | S |
| S | A | M | O | A | | C | H | E | F | | K | R | I | S |
| | | | R | I | C | H | A | R | D | P | E | T | T | Y |
| F | I | G | A | R | O | | | | R | O | T | S | | |
| E | R | O | S | | L | O | W | S | | S | T | O | R | K |
| A | M | I | | M | A | C | H | E | T | E | | V | I | A |
| T | A | N | G | O | | T | O | T | O | | V | E | N | T |
| | | G | R | A | D | | | | G | E | O | R | G | E |
| H | O | T | A | N | D | S | W | E | A | T | Y | | | |
| A | N | O | N | | T | I | E | R | | O | A | S | E | S |
| Z | I | P | U | P | | S | E | R | E | N | G | E | T | I |
| E | C | O | L | E | | A | D | O | S | | E | G | A | D |
| D | E | T | E | R | | L | Y | R | E | | S | A | L | E |

